গাড়ী অতোংমল হেনগৎপা য়ারোই

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): ৱাবগাই লমখাই বজারদগী ময়ায় লম্বীদা ইম্ফাল ফাওবা চেল্লিবা এম আই (ময়াং ইম্ফাল) ট্রান্সপোর্ট অমদি ৱাবগাইগী ট্রান্সপোর্ট মেজিক্লা চিংবা গাড়ীশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙগী অয়াবা য়াওদনা গাড়ী অতোংমল হেনগৎপীগনু। গাড়ী অতোংমল হেন্না লৌগদবা গাড়ীশিং ৱাবগাই লমখায়দগী পেসেঞ্জর হাপ্পা য়ারোই। মতুং তারকপদা থোরকপা খুদিংমকসু গাড়ীশিংনা থৌদাং পুগদবনি হায়না দি সিটিজেন্স এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভলপমেন্ট (কার্দ) ৱাবগাইগী সেক্রেটরি এম মনিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) না মীয়ামগী-দমক্তা পাঙথোকপা শিন্থা ওইনা হেলথ এৱ্যেরনেস কম মেগা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৬তা কৈবুল লমজাও, থাঙ্গদা পাঙথোক্দৌরি। হায়রিবা মেদিকেল কেম্প অসিগীদমক ডোক্তর য়াওনা মেদিকেল ষ্টাফ ৩০ রোম অমদি ইপসাগী এক্টিভিষ্ট ২০না শরুক য়াগনি। মীয়াম্নসু লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসিগী খুদোংচাবা লৌবিহৌ হায়না ইপসাগী সেক্রেটরি আই পি আর এস তোন্দ্বীস্নানা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর পিপলস পার্টিগী ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌপুরন্বা ইরমসিফাই অৱাং লৈকায়দগী চনম্বম বিরচন্দ্র মীতৈনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা এম পি পিগী ওফিসতা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর পিলস পার্টিগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এন মঙ্গোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৬৮দগী এম পি পিদা য়াওদুনা লাকখিবা পার্টি অসিগী অরিবা মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা অমদি পার্টিগী চাওখৎ থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা মেম্বর অসিনা মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা শরুক ফাওবা পার্টিদা কৎথোকপগা লোয়ননা পার্টিগী থৌদা কয়াদা শরুক য়াবিরম্মী। অসিগুম্লম্বা মেম্বর অসিনা লৈখিদবদা পার্টিদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইরে হায়না লৌবগা লোয়ননা পার্টিগী ফিরাল নোংমগী ওইনা তম্বাই চিংথদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু পার্টিগী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু পার্টিনা শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

নেসনল চিলড্রেন’স সাইন্স কোংগ্রেস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): সাইন্স টিচর ফোরম মণিপুরনা এন সী এস টি সী/দি এস টি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ন্যু দেল্লি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগা খুৎশম্নদুনা শিল্লগা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা মিরা পব্লিক স্কুলদা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৬তগী ২৮ ফাওবা ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা ২৬শুবা নেসনল চিলড্রেন’স সাইন্স কোংগ্রেস ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেট লেভেল থাক্তা পাঙথোক্দৌরিবা নেসনল চিলড্রেন’স সাইন্স কোংগ্রেস অসিদা পুন্না প্রোজেক্ট ৮৭ উৎকনি হায়না সাইন্স টিচরস ফোরম মণিপুরগী পব্লিসিট সেক্রেটরি এম শ্যামকিশোরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ঐচ ৱাজাং ভিলেজকী নিংথৌ টেলভুম হোলখোকাই হাওকিপনা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

নিংথৌ অসিনা লৈখিদবদা কুকি চীফস এসোসিএসন তেংনৌপল ব্লোক, কুকি নাগা চীফস/চ্যেরমেন এসোসিএসন তেংনৌপল, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাইজেসন তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট, টি এস এ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট অমদি তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, নিংথৌ টেলভুম হোলখোকাই লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশকনি। মহাক কুকি চীফস এসোসিএসন তেংনৌপল ব্লোক অমদি কুকি নাগা চীফস/চ্যেরমেন্স তৌনৌপলগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী হায়রি।

মেরা হৌচোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওবজার্ভেসন কম্মিট মণিপুর (ইমোম), হাওমি রিছার্স গিল্ড মণিপুর অমসুং মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি কাউন্সিল (মপি কাউন্সিল) গী অপূনবা মেরা হৌচোঙবা কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইকৌ ইরৈমা কম্যুনিতি হোলদা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়ানা শরুক য়াদুনা মেরা হৌচোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী চেয়রমেন মেদুন মরিং, নুপী সমাজকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রমনি, হাওমি রিছার্স গিল্ডগী স্পোক্সপার্সন এস এস সিংতাবা, শাদু কোইরেং চীফ আর ঙিরেং কোইরেং, হৈককপোকপী তরাও খুলগী চীফ লমতাজাও, থঙ্গাল শুরুং খুলগী চীফ কে রিসিম, ইকৌ ভিলেজ ওথোরিটিগী চেয়রমেন এ নাগেশ্বর, মকেং দোলাইথাবী গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কে ঐচ আশাকুমার, কুকি ইনপি সাইকুলগী সেক্রেটরি কে শাংলেন কোম য়াওনা কাঙলূপ কয়াগী লুচিংবশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মেরা হৌচোঙবগী থৌরম অদু ইকৌ বজারদগী হৌরগা ইরৈমা কম্যুনিতি হোল ফাওবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী লুচিংবশিং অমদি মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা অপূনবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নুপী সমাজকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রমনিনা হায়খি, লমদমসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী তোঙান তোঙানবা ফরুপশিংনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লি। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লান শোক্লবগী মতৌগুম লৈরে। মসিগী মথক্তা ঐখোয়বু য়োৎশিন্নবা অমদি মুৎখিনবা মীতোপশিংনা খুদুম চনশিল্লক্লে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তোখায় তোখায় খাইদোক্লুমসি, মীনা হায়বা লৌগুমসি। ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা চপ মান্ননা লেপমিন্নদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুকি ইনপি সাইকুলগী সেক্রেটরি শংলেন কোম্না হায়খি, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদুনা লাকখি হায়বা ৱারী তাবদা পূক্নিংদা নুংশিবা ফাওই। মালেমগী মমাঙদসু চাউথোকচবা পোকই। মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা নুংশি চান্নবগী মরী অদু মতম পূম্বদা থদৎলোইদবনি। তুং কোইনা হেন্না নুংশিননবা অমদি চেৎশিলহন্নবা ঐখোয় মীপূম খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর এন বিমোলনা হায়খি, হৌখিবা মতমশিংদা অমগা অমগগী মরক্তা নুংঙাইনদবা থৌদোক কয়া লৈখ্রবসু মদু কাউথোক্লদুনা ঐখোয় অমত্তনি, ঈ মরী অদু থম্মোয়দা চেৎনা থমদুনা নুংশিননা হিংমিন্নসি। লাক্কদৌরিবা মীরোলদা নুংশি চান্ননা ৱা তাথোক তাশিন তৌনদুনা পূন্না হিংমিন্ননবা ঙসিদগী থবক ওইনা উৎপা হৌরসি।

কাঙলূপশিংগী মরক্তা থাজনদবা মতৌ কয়া লাকপা অসিনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরক্লবা নুংশি চান্নবগী মরী অদু তৎখ্রগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোকই। অসিগুম্না ফীভম অসি লাকহন্দনবা হৌরক্লিবা মীরোলদা ঐখোয় নুংশিননা লৈরক্লি হায়বদু তাক্লমসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা তম্মী মীতৈশিংনা চীংমীশিংদা অঙন্বা খুদোল পোৎ অমদি চীংমীশিংনা তম্মীশিংদা অঙন্বা খুদোল পীখি। থৌরমগী লোইশিল্লকপদা মরিং, কোইরেং, তরাও, চিরু, তাঙ্খুল, মীতৈশিংগী নাৎকী ওইবা জগোয় উৎখিবগা লোয়ননা থাঙ-তাসু উৎখি।

ওক্টোবর ৩১গী মাস রেল্লি শৌগৎনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শিংনরকপশিং থেংনগনি অমদি মণিপুরগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম থন্নদুনা য়ু সী এমনা শীল্লগা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১দা চৎকদৌরিবা মাস রেল্লি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লি।

য়ুনাইটেদ ক্লবস আই এম সী ৱার্দ নম্বর ৪ উরিপোক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন চীংথংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লমদমসিদা চীংবুরোই তম্বুরোই অনীনা অঙম অঙন্বা মতেং পাংমীন্নদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু মতমনা পুরকখিবা অওনবা কয়ানা চীং তম অনীগী চেৎলবা লিপুন অসিবু থুগাইনবা হোৎনদুনা লাক্লি।

নীংতম্বগী লাল হৌরম্বগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীনা চথরিবা পিছ টোকনা নাগাশিংগী ওইবা লৈঙাকলোনগী তং তাবা অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা থৌওং অসিদি মীয়াম্না তরাম্না ওকই। অদুবু পিচ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংদা অমদি লমদমসিগী অপূনবগী শক্তমদা চাউনা অকায়বা পীরক্কদবা থৌওংশিংদি লমদমসিগী মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। মহৌশাদগী হৌনা নুংশি চান্ননা লৈরকপা ফুরুপশিংবু অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা হিংমিন্নগদবনি হায়বগী পান্দমদা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১দা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না শীন্দুনা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসিদা য়ুনাইটেদ ক্লবস আই এম সী ৱার্দ নম্বর ৪ উরিপোক্না মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপ কোন্থৌজম এরিয়া কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম সুন্দরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর নুপী মরুপ কোন্থৌজম এরিয়া কম্মিটিনা ওক্টোবর ৩১দা য়ু সী এমনা শীন্দুনা চৎকদৌরিবা মাস রেল্লি অসি মপূং ফানা শৌগৎকনি। কাংমোং, অৱাং জিরি, ফোইজিং, হৈক্রুজম, খাবি, খাজিরিনচিংবা খুলগী নুপীশিংনা রেল্লি অসিদা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবদা শরুক য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, থাংমৈবন্দ অপূনবা নুপী লূপ (থানিল) অমসুং কাংমোং নুপী চাওখৎ থৌরাং লূপনসু ওক্টোবর ৩১দা চৎকদৌরিবা মাস রেল্লি অসি শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল অপূনবা লূপনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী খুভমগী মতাংদা মিদিয়াদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু থৌবাল অপূনবা লূপ (টাল) না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

থৌবাল অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি দল্লিয়ু নিংথেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মোরে ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈরিবা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী খুভম অসি মোরেদা মীতৈনা হেক খুন্দাদুনা লৈরক্লবা মতমদগী লৈরক্লবা খুভমনি। হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল অমদি মোরে এরিয়া দিসপ্লেস পার্সন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এম এ দি দল্লিয়ু এ) না মৈতৈ কাউন্সিল মোরে অমদি ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল লূপ্তা লাইরেম্বীগী খা অমসুং অৱাংগী শরুক খরা কুকি অমদি নাগা লান্দা চুড়াচান্দপুর, উখুল অমদি তমেংলোংদগী লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী লৈফম ওইহনবীরো হায়না হায়জবদগী মফম অসিদা লৈবগী অয়াবা পীখিবনি হায়বসি ফুরুপ খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অসিনা থাদৌ এসোসিএন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরিবা কম্যুনিতিশিংগী মরক্তা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনদনবা শিনবীগনু।

অমরোমদা, হৌখিবা ওক্টোবর ২০দা লম কোয়বা লাকখিবা তম্পাক্কী ইচিন ইনাওশিংগা মোরেদা লৈবা মফম অদুগী মীওইশিংগা খৎন-চৈনবা থোকখিবা অদু লাইবক থীবনি। মণিপুরগী মফম মফমদগী লাক্লিবা লমকোয়বশিং অমদি ললোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংবু লম্বীদা পোৎ চৈ মুনবীবা, লুট তৌবা, খৎনবা হৌবা পুম্নমক মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা খুদক্তা তোকপীয়ু। মোরেদা লৈরিবা কম্যুনিতি খুদিংমক্না মফমদুদা লাক্লিবা মীপূম খুদিংমকপু নুংশিবা মীৎয়েংদা য়েংবীদুনা মখোয়বু ঙাক শেনবীয়ু অমদি পামদবা থৌদোক মখা তানা থোকহনবীগনু হায়না থৌবাল অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি দল্লিয়ু নিংথেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

২৯শুবা লোক্তাক ফেষ্টিবেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): লোক্তাক কনবদা যুম্ফম ওইরগা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা ২৯লকশুবা লোক্তাক ফেষ্টিবেল ঙরাং থাঙ্গদা লৈবা লোক্তাক লাইরেম্বী গ্রাউন্দদা মখল মথেলগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না লোক্তাক লেক দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচ সনায়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ২৯শুবা লেক্তাক ফেষ্টিবেলগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, থাঙ্গ এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা পি দি এগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা স্পিসিয়েল গেষ্ট, এম এস পি বিগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এস রাজেন, মীদাগী ভাইস চ্যেরমেন ও লুখোই, এম এল এ এস বিরা, এম এল এ এস সুভাসচন্দ্র, এম এল এ অসবউদ্দিন, এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, এক্স মিনিষ্টর ঐচ সনায়াইমা, এক্স মিনিষ্টর এস ইবোহল, এম এস দি এমগী ভাইস চ্যেরমেন অদিম পামে অমসুং থাঙ্গ পার্টৱানগী প্রধান ও রোমেন্না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লোক্তাক দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফিসরি দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ঙা মচা কয়াসু লোক্তাকপাৎতা থাদখি। থৌরমদুদা ৱাঙাঙলোই ওইখিবশিংনা লোক্তাকপাৎ কন্ননবা হোৎনবদা পুম্নমক্ন থৌদাং লৌমিন্নসি। লোক্তাকপাৎপু মোৎশিলহনগদবা থবক তৌগুমসি হায়নসু ফোঙদোক্লখি হায়না লোক্তাক লেক দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচ সনায়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

লোক অয়ুক্তা অথুবদা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু : পান্দেপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না শেঞ্জা থুমজা মুখৎনবগীদমক ষ্টেট অসিদা লোক অয়ুক্তা অথুবদা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দিভলপমেন্ট এন্দ পিছ (পান্দেপ) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

পান্দেপকী পব্লিসিটি ইন চার্জ লৈয়োংবা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ইন্দিয়া টুদেগী সর্ভেদা ইন্দিয়া পূম্বগী খ্বাইদগী ফবা অহুমশুবা সী এম ওইরকপা ঙম্লকপা অসি মণিপুরী পূম্নমক্কী চাউথোকচনীংঙাইনি।

বন্দ ব্লোকেদকী চৎনবী মণিপুরদগী মাঙহন্ননবা চীং-তমগী লৈনরিবা ঈ মরী হেন্না নকশিলনহল্লকপা চীংগী ইমাসু ঐখোয়গী ইমানি হায়বা ঙসিগী লৈঙাক্লা ইমা কৈথেল শাদুনা খুদম ওইনা উৎলি। মসিদা নত্তনা খুন্নাই অসিদা হৌরক্লিবা নহা কয়াবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা মাঙহনখিবদগী কন্নবা ৱার অগেনষ্ট দ্রগ হৌদোক্তুনা দ্রগ ললোনবা কয়া ফাগৎখিবা অসিগুম্বা ময়ামসি উরগা পান্দেপনা ঙসিগী লৈঙাক অসিবু লুচিংরিবা এন বিরেনবু থাগৎতবা ঙমদে। লৈবাক্কী অতৈ ষ্টেটনা মতৌ তম্নরক্লিবা গোটু ভিলেজ তঙাইফদনা লৈঙাক্তগী পাংবা য়াবা খুদোংচাবশিং মথৌ তাবা মীওইশিংগী য়ূমদা য়ৌহনবা, মদুগীদমক লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং মখোংনা থোংনা চৎতুনা য়েন্থোকপা অসিগুম্বশিং অসি লেমজনীংঙাই ওইবা থবকশিংনি।

তেংবাঙবীনবা কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংগীসু মখোয়গীদমক ঙসিগী লৈঙাক লৈরি হায়দুনা সী এম ঐচ টি অমদি মীয়ামগী নুমিৎ হৌদোকপা মণিপুরদা অফবা লৈঙাক অমা লাকপগী খুদমনি। দেমোক্রেসিগী মমি তারক্লি। লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা শেঞ্জা থুমজা তৌবা থিংনবা দি মণিপুর লোক আয়ুক্তা বিলস ২০১৮ চৎননবা কেবিনেটে মীফমনা ৱারেপ লৌখিবা য়াম্না শিংথানীংঙাই ওই। ৱারেপসিনা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা থিংবীনবা লৈতনা ৱাংখৎলিবা য়ূম অমদি লন থুমশিং অসিবুসু ৱায়েল চথবা ঙম্নবা অথুবা মতমদা থবক ওইনা পায়খৎপীদুনা লমদমসিদা অনৌবা মঙ্গলান অমা পুবিরক্কবা পান্দেপকী মায়কৈদগী আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

উমংলাই অমসুং লাই হরাউবা পাঙথোকপগী মতাংদা খন্ননবা মেরা মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী হৌরক ৱারী অমদি অমত্তা ওইবগী লীপূন ওইরিবা ঐখোয় পুম্নমক্কী উমংলাই অমদি লাই হরাউববু মশাগী লিক্লম কায়হন্দনা চৎনহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম হুপ্না থৌদাং লৌমিন্ননবগীদমক্তা পাঙথোকপা মেরা মীফম চহী অসিগী ওইনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৮দা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) গী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর, অসাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমদি বাংলাদেশনচিংবা মফমদা লৈরিবা উমংলাইশিংগী থৌগল লূপশিংগী মীহুৎশিং, ওজা মাইবা, পেনা অশৈবা অমদি ইমা মাইবীশিং, অখঙ অহে কয়ানা মীফমসিদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লাই হরাউবগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা ৱারেপ লৌমিন্নগনি। মরুওইনা মেরা মীফমসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা মালেমগী চাওখৎপগী মওংসিদা ঐখোয়গী উমংলাই অমসুং লাই হরাউবগী মশাগী মশক কায়হন্দনা করম্না চাওখৎহনগদগে, খুন্নাইগী চরাংনবা মরকসিদা করম্না লাই হরাউগদগে, খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন ঙাক্লা লাই হরাউবা, লাই হরাউফম অমদি অকোয়বদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নহন্দনবা অমদি অহৌবা মাইক খোঞ্জেলগী মতাংদা হৌজিক লাক্লিবা মীয়ামগী ৱাকৎনচিংবশিংগী মতাংদসু খন্নদুনা ৱারেপশিং লৌগনি।

লাই হরাউববু লিশাং শিংনা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা মাইবা, পেনা, মাইবীশিংগী ফিজেৎ চাকচা, জগোয় ঈশৈ, লাইশোন তিনশোন অমদি লাইথৌ তিন্থৌনচিংবগী কাঙলোন কায়হন্দনবা অমদি মখোয়গী ফীভম ফগৎনবা মীফম অসিদা খন্নদুনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা মমাঙগী মেরা মীফমশিংদা লৌমিন্নখিবা ৱারেপশিংসু নৌনা য়েংশিনমীন্নগনি। চহী খুদিংগী পীবগুম হন্দক চহী অসিগীসু খনগৎলবা মাইবা-মাইবী অমদি লাই থৌগললূপ অমমমদা চহীসিগী খ্বাইদগী ফৰগী শেলগী মনা, লেংয়ান অমা অমসুং শকখঙচে পীগনি। অসিদসু নত্তনা অফবা নুমিৎ থবান খন্দুনা লাইরোইগী নুমিৎ তম্লবসু অহিং লান্দনা মথংগী নুমিৎ নোংঙাল্লগা লাই লোইবগী হৈনবী অমা লৈরিবা অসি থুগাইনবা হোৎনবদা নোংয়াই চবুক লান্দনা লাইরোইগী থৌরম লোইশিনবা, লাইবুংশিংদা অখন্নবা মনা অমদি শকখঙচে পীদুনা ইকায়খুম্নগনি। লাইবুং অয়াম্বনা লাইরোইগী অফবা নুমিৎতা লাই লোইশিনবা ঙম্নরমদে। অদুবু উকলনা অসিগুম্বা অসি ৱাখল তামিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎপদগীদি হৌখিবা চহীদা মতম চানা লাইরোই পাঙথোকপা লাইবুং ১৮দা মীফম অসিনা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎকনি। মীফম অসিদা পাউজেল চে ফংবা অমদি ফংদবা থিদনা লাই থৌগল লূপশিং, মাইবা, পেনা, মাইবীশিং থৱায় য়াওবীবা খুদিংমক্ন মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু উকলগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): সনামহী লাইনীং হিঙ্গৎ ঈহৌ শাগৎলম্বা, মীতৈ মীয়ামগীদমক কৎথোক্লম্বা অমদি মীতৈ মীয়াম্নু হৌদোক্লম্বগী থবক থৌরমদা মতম অমদা নিংথৌ অমদি ব্রহ্মসভাগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা ইপুশিংগী মরিরকশুবা নীংশিং থৌরম ইম্ফালগী কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১দা পাঙথোক্লগনি হায়না তৌরম্বা অদুনবেম্বর ৩দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গেনাইজেসন (সিকো) গী সেক্রেটরি জেনরেল কোন্থৌজম ইবোচৌবা খা ঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ অসি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা শীনবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ লৈবনা হান্না লেপখিবা সিকোগী থৌরম অসি তঙাইফদনা য়ৈথোক্লগা নবেম্বর ৩দা লময়ানবা শঙলেন্দা অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদগী ওইনা পাঙথোক্লগনি। লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১দা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা শীনবা মীয়ামগী অচৌবা, অখন্নবা খোঙচৎ অসিদা সিকোনা শৌগৎকনি অমদি শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তারক্লি।

প্রেমবির ওইনাম্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ফিল্মগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অমসুং প্রদ্যুসরসু ওইরম্বা প্রেমবির ওইনাম্না লৈখিদবদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

মণিপুর ফিল্মগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা প্রেমবির ওইনাম দেল্লিগী হোস্পিটাল অমদা ঙরাং লৈখিদবনি। লৈখিদবগী হকচাং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরক্লবা মতুং লম্ফেলদা লৈবা ফিলম ফোরম মণিপুরগী ওফিসতা অমুক পুরক্তুনা মণিপুরী ফিল্মগী লম্দা থবক তৌরিবশিংনা হৈকৎ লৈকৎতমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি অমদি মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিএসন (অমফিম্পা) নসু মিকিথি-ৱান অমসুং টুগী প্রদ্যুসর ওইরম্বা প্রেমবির ওইনাম্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মৈ লাক্লোই

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): এলেভেন কে ভি খোংমন ফিদরনা মৈ পীবা কঞ্জুমরশিংগী ওইনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৭কী অয়ুক পুং ১০দগী ৫ ফাওবা মৈ লাক্লরোই। লাইন মেন্তেনেন্সকীদমক মৈ লাক্লোইদবা অসিনা মরম ওইরগা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং অসিগীদমক্তসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না এম এস পি দি সী এল কোংবা সব দিভিজনগী মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

বি এস এফনা সিন্তেক্স য়াওনা পোৎলম কয়া পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): সেক্তর হেদ ক্বার্টর বি এস এফ (সী আই ওপস) কোইরেঙ্গৈগী মীৎয়েং মখাদা ৫৪শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফনা শীন্দুনা লোক্তাক (এন ঐচ পি সী) দা লৈবা গ্রেসি খৃষ্টান ইংলিস স্কুলদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৫৪শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট ভি এল কে ভাইফৈনা গ্রেসি খৃষ্টান ইংলিস স্কুলদা লিটর ৫০০গী সিন্তেক্স ২ অমদি শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়া খুদোল তমখি। থৌরম অসি ৫৪শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী টু আই সী/ও এফ এফ জি কম্মান্দেন্ট এম কে টি সিমতেগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি হায়না ৫৪শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সিনা পুথোকপা ওর্গানিক পোৎলমশিংনা লৈবাকসিগী মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস): এ পি ঈ দি এ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ন্যু দেল্লিগী প্রগটি মাইনান্দা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা বি আই ও এফ এ সী এম ইন্দিয়া ২০১৮দা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি (মোমা) না পুথোকপা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পূক্নিং মপূং ফানা চিংশিনবা ঙমখ্রে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরগী মখাদা ষ্টেট অসিবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা বি আই ও এফ এ সী এম ইন্দিয়া ২০১৮দা শরুক য়াদুনা মোমানা পুথোক্লিবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং অসি মফম অদুগী মীয়াম্নসু য়াম্না পাম্নবা ওইরি। বি আই ও এফ এ সী এম ইন্দিয়া ২০১৮ অসি লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদগী পুথোকপা ওর্গানিক্কী পোথোকশিং উৎপা খ্বাইদগী চাউরবা এগজিবিসন অমনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা পুন্না ষ্টোল ১৩০না শরুক য়ারিবা ওর্গানিক্কী পোৎলম ঙাক্তা উৎপা এগজিবিসন অদুদা ষ্টেট কয়াদগী ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোকপা এজেন্সিশিং, ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং, বিজিনেস হাওজেসশিং, কম্পেনিশিং, ফার্মর বোদিশিং, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী এজেন্সিশিং, এক্সপোর্টিং কম্পেনিশিং অমসুং ফার্মর কয়ানা শরুক য়ারি।

হায়রিবা এগজিবিসন অসিদা ষ্টেট অসিবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মণিপুরদগী ওর্গানিক্কী পোথোক থারিবা ফার্মরশিং, ফার্মর প্রদ্যুসরশিং, কম্পেনিগী মেম্বরশিং, ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল থারগা পুন্না মীওই ৩০না শাবা টিম্না শরুক য়ারি।

এগজিবিসন অসিদা মণিপুরদা পুথোকপা তোপ তোপ্পা মখলগী চাকহাও, শীং, য়াইঙং, কিহোম, উমোরোক, তমেংলোংগী কোমলা, কচাইগী চম্প্রানচিংবা কয়া ফ্রেস ওইনা অমসুং প্রোসেস ফুদ ওইনা মীয়ামদা উৎলি। এগজিবিসন অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মশীং য়াম্লবা ভিজিটরশিং, বায়রশিং অমসুং এক্সপোর্ট কম্মিটিগী মীওইশিংনা মণিপুরদগী পুথোকপা ওর্গানিক্কী পোথোকশিং অসি পাম্নবা য়েংনখি অমদি পোৎলমশিং অসিগী মশীং য়াম্না লৌবা পাম্নগী ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লরমখি হায়রি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-P/3661/7/10-5/11

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - X (BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
SUBJECT:
MATHS, ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE & HIGHER MATHS
CLASSES STARTING FROM 5TH NOVEMBER, 2018
HL-B/4885/27/9-23/10